# টালিবাননা কান্দাহার প্রোভিন্সকী সিক্যুরিটি পোষ্টশিংদা এটেক তৌখ্রে, পুলিসমেন ২৭ টালিবান ৪৫ শিরে

কাবুল, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টানগী কান্দাহার প্রোভিন্সকী তোঙান-তোঙানবা ডিষ্ট্রিক্ট অহুমদা লৈবা সিক্যুরিটি পোষ্ট ১৫ মুক্তা ঙরাং অহিং এটেক তৌখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা পুলিসমেন ২৭ শিখ্রে অমসুং ওফিসল ১০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। লালহৌবগী ঈরাং কনখৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী নোংচুপলোম থংবা লমদমদসু মিলিটেন্টশিংনা লান্মী নিপান অমসু হাৎখ্রে।



প্রোভিন্সল পুলিসকী স্পোক্সমেন মাতিয়ুলা হেলালনা হায়খি, নিংথৌকাবগী অহিংদা লালহৌবশিংনা ডিষ্ট্রিক্ট অনীদা তোঙান-তোঙানবা সিক্যুরিটি পোষ্টশিংদা থোমজিন্দুনা এটেক তৌবদা পুলিস ২২ শিখ্রে অমসুং ১৫ না অশোক-অপন নংখ্রে। এটেকশিংদু মাইৰাজ অমসুং ঝারি ডিষ্ট্রিক্টশিংদা চথখি অমসুং নোংমৈ কাপ্পবা খরদি পূং কয়া চুপ্পা চথখি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা লালহৌবা ৪৫ হাৎখি অমসুং ৩৫ না অশোক-অপন নংখি লোয়ননা অহিংদা চথখিবা এটেকশিং অদুদা পুলিস চেকপোইন্ট অমৎতা লালহৌবশিংনা খুদুম চনখিদে হায়না হেলালনা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী ফোর্সশিংনা এয়র সপোর্ট অমসুং রিইনফোর্সমেন্টশিং য়ৌরক্লিফাওবা লালহৌবশিংগা ওনশিন্নদুনা লৈখি হায়না কান্দাহার পুলিসকী চীফকী স্পোক্সমেন জিয়া দুরানিনা হায়খি। 'ঐখোয়গী ফোর্সশিংনা টালিবানবু মায়থীবা পীখ্রে।'

নৰাই ডিষ্ট্রিক্টকী গভর্নর সারাজউদ্দিন সারহাদিনা হায়খি, মহাক্কী ডিষ্ট্রিক্টতা পোষ্ট কম্যান্দর অমা য়াওনা লোকল পুলিস মঙাসু চেকপোইন্টশিংদা হাৎখি।

লমদম অদুগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমা ওইরিবা খালিদ পাশতুননা কান্দাহারদা হাৎখিবা পুলিস মশিং পূন্না ৩৭ নি অমসুং অশোকপনা ৩০ নি হায়না ফোঙদোকখি।

অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক তৌবা হেনগৎলক্লিবা টালিবাননা অহিংগী এটেকশিংদু মখোয়না চথখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

ৰাটসএপকী খুত্থাংদা টালিবাননা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মখোয়না পুলিস অমসুং মিলিসিয়াগী মেম্বর ৪৩ হাৎখ্রে অমসুং আরমর্দ ভেহিকল ১৩ অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং টালিবাননা লানগী মীশি-মীনাশিং হেঞ্জিনবা হায়বসি তোয়না থোকই হায়রি।

ৱেষ্টর্ন ফারাহ প্রোভিন্সকী পুশট রোদ ডিষ্ট্রিক্টতা টালিবান ফাইটরশিংনা পুলিস সিক্যুরিটি পোষ্টশিংদা এটেক তৌবদসু লোকল পুলিস অহুম অমসুং মীচম অহুম শিখ্রে হায়না প্রোভিন্সল গভর্নর মোহম্মদ নাসের মেহরিগী স্পোক্সমেননা হায়খি। মহাক্কী মতুং ইন্না নোংমৈগী লানদুদা টালিবান ১৬ হাৎখি।

# চাইনানা হ্যুমেন রাইটস লোয়রগী মচানুপা মপান্দা চৎপা থিংখ্রে

হোং কোং, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : চাইনাগী মশকনাইবা হ্যুমেন রাইটসকী লোয়র অমগী নহা ওইরিবা মচানুপা ঙরাং লৈবাক্তু থাদোক্নুনা চৎপা য়াহনখিদ্রে। নহা অদু মপান্দা লৈরিঙৈদা নেসনল সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহন্নিংঙাই ওই হায়রদুনা মপান চৎপা য়াহনখিদবনি হায়না মহাক্কী মপানা ফোঙদোকখি।



মহাক্কী পাসপোর্টকী কোর্নরশিংদু ককথৎতুনা শীজিন্নবা য়ারোইদবা মওংদা লৈহনখি। মখোয়না মহাক্কী মচানুপানা ষ্টেট সিক্যুরিটিদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রকখি। মহাক মশাগী চহী ১৮ শুবদা ঙাইরি। করম্না মহাক্না নেসনল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীবা ঙমগদৌরিবনো হায়না বাও লোংজুননা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ১৮ শুবদা ঙাইরিবা বাও ঝৌক্যুআনবু মপান চৎপদা অথিংবা থল্লিবদু মহাক্কী মমা ৱাং য়ুগী মথক্তা লমন খুন্দ্বগী ৱারেপ অমনি হায়না মহাক্কী ইমুং অমসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা লৌনৈ। ৱাং অরুবা পোলিটিকেল কেস কয়াদা চেন্নরকখিবা কম্মর্সিয়ল লোয়র অমনি অমসুং চাইনাদা চহী অনীগী মমাঙদা হ্যুমেন রাইটস লোয়রশিংগী মায়োক্তা পাক-শন্না ক্রেকদাউন চথখিবদা মহাকপু ইহান হান্না টার্গেট তৌখি।

মহাক্কী মপা বাও লোংজুনগী মতুং ইন্না, বাও ঝৌক্যুআন মপানদা মহৈ তম্নবগী চাংয়েং অমদা মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা জপানদা চয়োল অনী চৎননবা থৌরাং তৌখি। ইমুং অদু চাইনাগী ওটোনোমস রিজন ইন্নর মোঙ্গোলিয়াদা চহী অনী কুপশেন শেন্নবগী মীৎয়েং মখাদা লৈরুরবা মতুং হন্দক্তা বৈজিংদা হল্লকপা য়াহনখিবনি।

ওথোরিটিশিংনা নহা অদুগী পাসপোর্ট হল্লকখি অমসুং মহাক জপানদা চৎনবগী ভিজা অমা ফংবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা টিয়াঞ্জিন এয়রপোর্টতা ইন্মিগ্রেসন পাস তৌরিঙৈদা মহাকপু খামখি অমসুং ফাখি।

থৌদোক অদুগী মরমদা হংনবগীদমক্তা ইন্নর মোঙ্গোলিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক সিক্যুরিটি ব্যুরোদা ঙসি ফোন তৌবদা পায়খৎলকখিদে হায়রি।

কুমজা ২০১৫ দা বাও অমসুং মহাক্কী মচানুপা বৈজিং এয়রপোর্টতা খামখি অমসুং মচানুপানা হাই স্কুল কাগদবা ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎপা থিংখি।

# টেরেসা মেনা রশিয়াবু মীখলদা খূৎ থিংজিনবা অমসুং শেমজিন-শাজিনবা পাউ শন্দোকপগী মরাল শীখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অমগা অমগা য়েংথীনহন্নবা শিনবা ওইনা ঈ-পাউবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্ননবা হোৎনবগী থৌওংবু য়ানিংদবা উৎলদুনা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা রশিয়াবু মীখলদা খূৎ থিংজিল্লি অমসুং মীদিয়াদা শেমজিন-শাজিনবা পাউ কয়া ফোঙহন্নবা শিল্লি হায়না মরাল শীখ্রে।



লোর্দ মেয়রগী বেংক্কিটতা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা রশিয়াগী থবকশিংগী মওং মতৌ অমসুং স্কেলগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। 'রশিয়াগী থৌওং অদুনা ঐখোয় খূদিংমক্তা য়াম্না মরুওইরিবা মালেমগী ওর্দরগা মরী লৈননা অকিবা পোকহল্লে' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হন্দক চহী খরসিদা রশিয়ানা নোংচুপলোমগী ইনষ্টিট্যুসনশিংদা অকায়বা পীনবা হোৎনখিবা কয়াগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ঐহাক্না রশিয়াদা য়াম্না চম্বা মেসেজ অমা পীরি। ঐখোয়না নখোয়না তৌরিবদু খঙই। নখোয়না তৌরিবদু মায় পাক্লোই। মরমদি নখোয়না ঐখোয়গী ডিমোক্রেসিশিংগী অৱাবা খাংবা ঙম্বগী পাঙ্গল, ফ্রী অমসুং ওপন সোসাইটিশিংগী চন্নফম অমসুং নোংচুপ লোমগী লৈবাকশিংনা মখোয়গী এলাইঅন্সতা পীরিবা কম্মিটমেন্টবু মমল লৈতনা উরে।

'য়ু কেনা ঐখোয়বু ঙাকথোকচবদা চঙবা খূদিংমক তৌগনি অমসুং মীচংশিংগা খূৎশম্মনসু মদুগুম্বা থবকশিং পাঙথোকমিন্নগনি।'

মহাক্কী স্পীচ অসি ফোরন সেক্রেটরি বোরিস জোন্সননা চহী লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মোস্কোদা খোঙচৎ অমা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা য়ু কেনা রশিয়াগী মরমদা চেকশিনৱা ফোঙদোকপা হেনগৎনবনি হায়না লৌবা য়াই। ফোরন সেক্রেটরি জোন্সন ব্লাদিমির পুটিনগী গভর্নমেন্টকা চেকশিন্না ইনগেজ তৌবগী ষ্ট্রেটেজি অমগী শরুক ওইনা মোস্কোদা চৎকদৌরিবনি।

রশিয়ানা য়ুক্রেনদগী ক্রিমিয়া লৌশিনখিবদগী মেনা হায়খি মদুদি রশিয়ানা দোনবাস (ইষ্টর্ন য়ুক্রেন) তা কনফ্লিক্ট অমা লাকহন্নবা থবক তৌরে, য়ুরোপিয়ন লৈবাক কয়াগী এয়রস্পেস খোঙ্গাওনখ্রে অমসুং সাইবর এস্পিনেজ অমসুং দিসরপসনগী থৌওংশিং চথখ্রে। মসিদা মীখল কয়াদা খূৎ থিংজিনবা, ডেনমার্ককী মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্স অমসুং জর্মন পার্লিয়ামেন্ট হেকিং তৌখিবা অমসুং অতৈ কয়া য়াওরি হায়না মেনা মখা তাখি।

# সাউথলোমদা চেনশিনখিবা নোর্থ কোরিয়াগী লান্মী অমদা নোংমৈ কাপশিনবদা মরূ ৬ পানখ্রে

সিওল, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : য়াম্না তাঙনা থোকপা সাউথতা চেনশিনবগী থৌদোক্তা নোর্থ কোরিয়ন লান্মী অমা ঙরাং কন্না ঙাক-শেল্লিবা বোর্দরদা মহাক্কী ভেহিকল য়াঙনা থৌজিন্দুনা সাউথ কোরিয়াদা চঙশিনবদা মশামক্না লৈরম্বা মায়কৈদগী মঙোন্দা নোংমৈ মরূ কয়ামরুম কাপশিনখ্রে হায়রি।

থৌদোক্তু থোক্লিবা পানমুনজোন বোর্দর ট্রুস ভিলেজ মোনিটর তৌরিবা য়ু এসনা লূচিংবা য়ুনাইটেদ নেসন্স কম্যান্দ (য়ু এন সী) না হায়খি, লান্মী অদু কন্না ঙাক-শেল্লিবা কোরিয়া অনী খাইদোক্নরিবা মিলিটরি ডিমার্কেসন লাইনগী মনাক নক্না থৌজিনখি।

'মদুদগী মহাক ভেহিকলদুদগী কুমথরগা মখা তানা খারোমদা বোর্দর লাইনগী ৱাংমদা চেনশিনখি। মহাক্না অদুম্না চেনশিল্লিঙৈদা নোর্থ কোরিয়াগী লান্মীশিংনসু মঙোন্দা নোংমৈ কাপশিনখি হায়না য়ু এন সীগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী ওফিসল অমনা হায়খি, নোর্থকী বোর্দর গার্দনা য়ামদ্রবদা নোংমৈ রাউন্দ ৪০ কাপখি।

ইমরজেন্সি সর্জরি পাঙথোক্নব-গীদমক্তা হোস্পিটাল অমদা এয়রলিফ্ট তৌখিবা লান্মী অদুবু ট্রিটমেন্ট তৌরিবা ডোক্টর অমনা হায়খি, মঙোন্দা নোংমৈ মরূ তরুক পাল্লে অমসুং মহাক চাকখাউদা লুনা শোক্লে।

'মহাক্কী মশাদা য়ামদ্রবদা নোংমৈনা পানবগী মফম তরুক লৈরমখি অমসুং মবুক্তা থুম্না চঙদুনা শোকপগী ফিভমনা খ্বাইদগী লুবা ওই' হায়না লী কুক জোংনা পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক্কী হকচাং কয়াৎশিং শাথীনা শোক্লে। মহাক কয়াম শাংনা খাঙদুনা লৈগদৌরিবনো হায়বা ঐখোয় খঙদে হায়রদুনা লীনা লান্মীদুগী ফিভম য়াম্না লুই হায়না ফোঙদোকখি।

'ডিমার্কেসন লাইননা খাইবা মরুওইবা টুরিষ্ট এট্রেক্সন অমা ওইরিবা ট্রুস ভিলেজ অদুদা নোর্থকী ট্রুপশিং চেনশিনবা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি। মফমদু নাকল অনীগী ফোর্সশিংনা অমগা অমগা মায়োক্নরিবা ঙমখৈ লমগী অমতা ঙাইরবা মফমনি।'

কুমজা ১৯৫৩ দা পানমুনজোমদা সাইন তৌনখিবা সীজফায়রনা কোরিয়াগী লানদা খূৎ থানবা লেপহনখি। মদুগী মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা কোরিয়ন মশেলগী ওইবা ৱারী রাউন্দ কয়া শানখ্রে।

নুমিৎতুদা টুরিষ্ট অমৎতা লৈবা উখিদে। মদুগী মরমদি নিংথৌকাবা নুমিৎশিংদদি টুর শিন-লাংনদবননি হায়রি।

সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিগী মতুং ইন্না, নাকল অনীগী মরক্তা বোর্দর লান্ন নোংমৈ কাপশিন্নখিবগী থৌদোক থোকখিদে। সাউথ কোরিয়ন নৎত্রগা য়ু এস ফোর্সকী মীওই অমৎতসু শোকপা-খোৎপা য়াওখিদে হায়নসু য়ু এন সিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পূং মরিরোম তাবা নুংথিল পোবোপকী মতমদা থোকখিবা থৌদোক্তুনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খূৎলাই প্রোগ্রামগা মরী লৈননা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈদনি।

# ইরান-ইরাক্কী য়ুহা হাবদা শিখিবা মী মশিং ৫৩৭ য়ৌরে



টেহরান, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : রিক্টর স্কেলদা ৭.৩ য়ৌনা কনখিবা হৌখিবা নোংমাইজিংগী অহিংদা ইরানগী কর্মানসাহ প্রোভিন্সকী চীংগী লমদমদা লৈবা ভিলেজশিং অমসুং টাউনশিং নিকহনখিবাা মতিক ময়ায় কল্লবা য়ুহা হাবা অদু থোকখিবা মতমদা মীওই কয়া তুম্নদুনা লৈখি।

টেলিভিজন ফুটেজনা য়ুহা হাবা অদুগী হেক মতুংদা ভিলেজ দজন কয়াদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকায়-অতোই ময়াম মরক্তা থৱায় ৱানা মীশিং থি-হুম্বগী শক্তমশিং উৎখি।

তৌইগুম্বসুং ওথোরিটিশিংনদি অকায়-অতৌই মরক্তা মী হিংনা ফংগনি হায়বগী থাজবগী চাং য়াম্না নেমই হায়রি।

ৱেষ্টর্ন কেরমান্সাহ প্রোভিন্সতা রেস্ক্যু ওপরেসনশিং লোইশিনখ্রে হায়না ইরানগী মেদিকেল সর্ভিসেসকী মকোক হোশন কোলিভান্দনা ষ্টেট টি ভিদা ফোঙদোকখি। ইরানগী ষ্টেটনা রন তৌবা ইর্না ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুবু নোংমাইজিংগী অহিংগী মতমদা কল্লবা য়ুহা হাবা অদুনা নিকহনখিবদা মীওই ৫৩০ শিখ্রে অমসুং মীওই ৮০০০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে। য়ুহা হাবা অদুনা য়ামদ্রবদা ইরানগী প্রোভিন্স ১৪ দা শোকহনখি।

ষ্টেট টেলিভিজননা ফোঙদোকখি মদুদি, মীওই লীশিং কয়া ইমরজেন্সি কেম্পশিংদা য়োমশিন্দুনা লৈরি। অতৈ মীওই কয়ানা আফটরসোক ১৯৩ গী মতুংদা হেন্না কনবা ট্রেমরশিংদু লাকপা য়াই হায়বগী অকিবগা লোয়ননা অনীশুবা অহিংদসু অহাংবা মফমদা লেন্নখি।

যূল্লোন্নবা ইরাক্তা য়ুহা হাবা অদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিহনখি অমসুং অতৈ ৫৩৫ না অশোক-অপন নংহনখি। অয়াম্বনা ইরাক্কী ওইনদি লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা সেমি-ওটোনোমস কর্দিশ রিজনদা থোকখি।

# কোলিসননা য়েমেনগী এয়রপোর্টতা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে

সানা (য়েমেন), নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি): য়েমেনগী রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা কেপিটেল সিটি সানাদা লৈবা এয়রপোর্টতা সাউদিনা লূচিংবা কোলিসননা বোমিং চথবদা রনৱে অমসুং গ্রাউন্দ নেভিগেসন টাৱরদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়না য়েমেনি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না, ঙসিগী এয়রষ্ট্রাইকশিংদুনা এয়রপোর্টতুগী ওপরেসনদা অকায়বা পীরগনি, তৌইগুম্বসুং শেম-শানবগী ক্রু কাঙবুসু মফমদুদা থবক হৌখ্রে। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা ফ্লাইটশিংগী মশিং কয়াম্না হন্থরকপা য়াই হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

হৌখিবা ২০১৫ গী মার্চতগী য়ু এসনা শৌগৎপা কোলিসননা হুথীশিং হায়না খঙনবা সিয়াইট রেবেলশিংগা লান শোক্নদুনা লাকখি। সাউদি কেপিটেল রিয়াধতা রেবেলশিংনা বলিষ্টিক মিসাইল এটেক অমা চথখিবগী পাউখুম ওইনা কোলিসননা হৌখিবা চয়োলদা য়েমেনগী এয়র, লেন্দ অমসুং সী পোর্ট খূদিংমক থিংজিনখি।

কোলিসননা ঙরাং এলাইদ ফোর্সশিংনা পায়শিল্লিবা এরিয়াশিংদা হীথাংফমশিং নৌনা অমুক হাংলগনি হায়খি। অমরোমদা হুথীশিংনা য়েমেনগী অৱাং থংবা শরুক অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌই।

# হান্না চাইনাগী ফার্মদা পীখ্রবা হাইদ্রোপৱার প্রোজেক্টকী ওর্দর নেপালনা অমুক ককথৎখ্রে



কথমন্দু, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : চাইনাগী ষ্টেটনা রন তৌবা কম্পেনি অমদা পীখিবা মেগাৱাট ১,২০০ গী হাইদ্রোপৱার প্রোজেক্ট অমগী ওর্দর নেপালনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ককখিবগা লোয়ননা বৈজিংনা হিমালয়ান লৈবাক অদুগী মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী স্কীমশিং পায়রগনি হায়না খল্লম্বদু অরেম্বা তাখ্রে হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি কয়াগী ডিরেক্টিভতা য়ূম্ফম ওইরগা চাইনাগী গেঝৌবা গ্রুপকা বুধি গন্দাকি হাইদ্রোপৱার প্রোজেক্টকা সাইন তৌনখিবা প্রোজেক্ট অদু কেবিনেট মীফম অমনা কক্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

করপসনগী মরাল কয়া শীখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অদু লাকখিবনি অমসুং ডেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর কমল থাপানা ত্বিটরদা এগ্রীমেন্ট অদু চেকশিন্দনা অমসুং চিংননিঙাই ওইবা মওংদা সাইন তৌনখি হায়না ফোঙদোকখি।

সের বহাদুর দ্যুবানা লূচিংবা গভর্নমেন্টতা চাইনানা বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিয়েটিভ (বি আর টি) গী মখাদা প্রেসর কন্না পীরিঙৈ তাল্লক্তা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

কেবিনেটনা ইন্দিয়ন ফার্ম অনী হায়বদি জি এম আর ইনর্জি অমসুং সুটলেজ জল ভিদ্যুট নিগমদা অহেনবা থা তরুক অমগা মেগাৱাট ৯০০ গী হাইদ্রোপৱার প্লান্ট তরুক ডিভলপ তৌনবসু ৱারেপ লৌখ্রে। প্রোজেক্টশিংদুগী ফাইনান্সিয়ল ক্লোজরগা মরী লৈননা ৱারেপতু লৌখিবনি। ফার্মশিংনা কমপেন্সেসন, লম লৌশিনবা অমসুং ফোরেষ্ট ক্লিয়রেন্সকুম্বা থিন্থহনগদবা থবক খরসু মায়োক্নরি।

মতম অমদা নেপাল গভর্নমেন্টনা চাওরাক্না ডোলর বিলিয়ন ২.৫ হেন্না চঙগদবা বুধি গন্দাকি প্রোজেক্ট বি আর আইদা য়াওহন্নবা খন্নখি।

লাক্লিবা মীখলশিংগীদমক্তা বৈজিংগী সপোর্টকা লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টি ময়াম্না অমতা ওইনা খূৎশম্নখ্রবা মতুংদা নেপালবু বি আর আইগী মখাদা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগী প্রেসর পীবা য়ারোই হায়বদু উৎপা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর দ্যুবানা থৌনা ফনা খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি হায়না কথমন্দুদা পাক-শন্না থাজনরি।

বুধি গন্দাকি প্রোজেক্ট অদু পুশপা কমল দাহল 'প্রচান্দা' না লূচিংবা হান্নগী গভর্নমেন্টনা মহাক্না ওফিস পায়বা লোইশিল্লকপা নুমিৎশিংদা কম্পিটিটিভ বিদ্দিং অমৎতা য়াওদনা চাইনীজ কম্পেনি অদুদা পীখিবনি।

# ঈ য়ু অমদি লিবিয়াগী মাইগ্রেন্ট দীল মীনুংশি য়াওদে : য়ু এস

*ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : লিবিয়ন লীদরশিংদা মাইগ্রেন্টশিংবু থৎলগা ডিটেন্সন সেন্টরদা হলহনবদা মতেং পাংলিবা ঈ য়ুগী পোলিসি মীওইবগী মীনুংশি য়াওদে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।*

*য়ু এন হ্যুমেন রাইটস চীফনা য়ুরোপকী লৈবাকশিংবু লিবিয়াগা য়ানখিবা দীলগী মতাংদা পীবা ৱার্নিংশিং থৌশাদে হায়না মরাল শীখি।*

*ঈ য়ুগী পোলিসিদুনা মরম ওইদুনা ডিটেনিশিংগী মশিং ২০,০০০ ফাওবা হেনগৎহল্লে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।*

*ফেসিলিটিশিংদুদা চৎখিবা য়ু এন মোনিটরশিংনা হায়খি, চাবা ফংদবদগী মশা কা হেন্না ময়েং তারবা নুপা, নুপী অমসুং অঙাং লীশিং কয়া অমগা অমগা লোন্নরগা লৈরে।*

*মাইগ্রেন্টশিংবু খ্বাইদগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম চৈরম অমৎতা ফংহন্দ্রে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ু এন হাই কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটস জৈইদ রাদ অল-হুশৈইননা হায়খি, লৈরিবা ফিভমদু য়াম্না থুনা শোকচিল্লক্লি অমসুং লিবিয়াগী মাইগ্রেন্টশিং থম্বগী সিষ্টেম অদু শেমজিনবা য়াবগী ৱাংমদা কায়রে।*

# দোনাল্ড ট্রম্পকী মখাদা ইন্দিয়া-য়ু এসকী মরী হেন্না ফগৎলক্লগনি : হ্বাইট হাউস



ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা রিজনেল সিক্যুরিটি ইস্যুশিং, ট্রেদ অমসুং ইকনোমি, টেররিজম য়াওনা মখল-মখা কয়াগী লমশিংদা ইন্দিয়া-য়ু এস মরী হেন্না ফগৎলক্লগনি হায়না হ্বাইট হাউসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ডিমোক্রেসি অমসুং টেররিজম থেংনবদা থল্লিবা মান্নবা কম্মিটমেন্টনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মশানা তাজবা মীচং অমনি অমসুং লমদম অসি য়ু এসকী সিক্যুরিটিদসু অদুক্কী মতিক মরুওই হায়না হ্বাইট হাউসকী প্রিন্সিপাল ডেপ্যুটি প্রেস সেক্রেটরি রাজ সাহনা ইন্দিয়ন রিপোর্টর গ্রুপ অমদা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ু এসকী প্রেসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মনিলাদা অসিঅন সম্মিটকী নাকোইননা মখোয়গী অনীশুবা বাইলেটরেল মীফম পাঙথোকখিবা মতুং মতম খরা কান্নরগা সাহনা কম্মেন্টশিংসি ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাক অনীগী মরী ফগদৌরি অমসুং মরী অসি প্রেসিদেন্ট অসিগী মখাদা হেন্না ফগৎলক্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হ্বাইট হাউসকী প্রেস ৱিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ইন্দিয়ন অমেরিকান অমা ওইরিবা সাহনা হায়খি মদুদি, য়ু এস-ইন্দিয়া মরী মরোমদোম লেপচবা ঙমগদবনি অমসুং অতৈ মরীগী মপান তাংনা লৈরোইদবনি।

'য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তগী ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তনা হেন্না মান্নবা নৎত্রগা চুশিন্নবশিং লৈবা হেল্লি। মোদিগা লৈনবা মরীদি মহাক মশাগা মোদিগা লৈনবদুনি। মহাক্না মহাকপু (মোদিবু) পামই। মহাক্না অতৈ লূচিংবশিংগী মরমদসু খঙই। মহাক্না হৈনবা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজবশিংগী মনুংদা মোদিসু অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মোদি অমসুং ট্রম্প অহানবা ওইনা হৌখিবা জুনদা উনখি, তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা য়ু এসকী মীখলদা ট্রম্পনা মায় পাকখিবদগী থৌদোক কয়াদা মখোয় ৱারী শানখ্রে।

'প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী থৌওংশিংদা মহাক্না পেনবা মাল্লি। মসিদগী হেন্না ঐহাক্না ঙাঙনিংঙাই লৈতে, তৌইগুম্বসুং মখোয় অমগা অমগা পাম্নবগী ফিভম অমদি উরে হায়বা য়াই।'

মোদিগা ট্রম্পকা জুন থাদা উনখিবদু তশেংনমক অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রিন্সিপাল ডেপ্যুটি প্রেস সেক্রেটরিনা হায়খি, টেররিজমগী মথক্তা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ডিমোক্রেসি অনীগী মরী রিজনেল ইস্যুশিং, ট্রেদ অমসুং ইকনোমি য়াওনা হীরম কয়াদা হেন্না পাকথোক চাউথোরক্লি।

মসি হৌজিক্তিগী সিক্যুরিটি ইস্যুশিংদগী শেল-থুমগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংদা লাক্লে। মসিদা ট্রেদ অমসুং ইনর্জি এক্সপোর্টশিংসু য়াওবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# আর্মি চীফনা প্রসিদেন্ট মুগাবেদা ৱার্নিং তৌবদগী জিম্বাবৱেদা তং-তাদবা ফিভম লৈরে

হরারে, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি) : প্রসিদেন্ট রোবর্ট মুগাবেনা মহাক্কী লোয়নবীবু মহাক্কী মহুৎ শিলহন্নবা হোৎনরদুনা রুলিং পার্টিগী ভেটরন লীদর কয়া মখা তানা মফম লৌথোকপা অমদি পার্টিদগী তোকহনবগী থৌদৌশিং চথরবদি মখোয়না খূৎ থিংজিল্লকপা য়াই হায়না আর্মিনা চেকশিনৱা পীখিবা মতুংদা জিম্বাবৱেদা ঙসি করি থোক্লক্কদগে হায়বা ঙমদবা অরুবা ফিভম অমা লাকপা হৌখ্রে হায়রি।



রুলিং পার্টিগী য়ুথ ৱিং অমসুং মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি অনীমক্না সিভিলিয়ন লৈঙাক থুগায়দনবা অপীল তৌখ্রে। চৈরকসিদা এনলিষ্টশিংনা ক্রাইসিস অদুনা লৈবাক অদুদা অহোংবা লাকহনবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট রোবর্ট মুগাবেনা হৌখিবা চয়োলদা ভাইস প্রসিদেন্ট ইমর্সন মনাংগগৱাবু মফম লৌথোকখিবা মতুংদা আর্মিগী চীফ জেনরেল কোন্সটানিনো চিৱেঙানা ঙরাং মুগাবেদা রুলিং জানু-পি এফ পার্টি মনুংদা ভেটরন লীদর কয়াদা টার্গেট তৌবা অমসুং মখোয়বু ভিক্টিমশিং ওইহনবগী থবক লেপ্পনবা চেকশিনৱা হায়খি।

মফম লৌথোকখ্রবা ভাইস প্রসিদেন্ট মনানগগৱা চহী ৯৩ শুরবা লীদর অদুনা লৈত্রবা মতমদা মহাক্কী মহুৎ শিনগদৌরিবা মীশক্নি হায়না পাক-শন্না লৌনরিবা ফর্ষ্ট লেদি গ্রেস মুগাবেগা হঞ্জিন হঞ্জিন্না মুক্নখি।

'হৌজিক উরিবা নমথাক্কী থবক থৌওংশিংগী মরমদা লৈরিবশিংদা ঐখোয়না নীংশিংলি মদুদি ঐখোয়গী রেভল্যুসনবু ঙাক-শেনবগী ৱাফম লাকপা মতমদা মিলিটরিনা খূৎ থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌবদা নীংহন্নরোই' হায়না চিৱেঙানা কেপিটেল হরারেদা লৈবা কিং জোজ মিলিটরি হেদক্বার্টর্সতা মিলিটরি টৌপ ব্রাসতা হায়খি।

চৈরকসিদা প্রসিদেন্ট মুগাবেগী লোয়নবী গ্রেসপু শৌগৎপা জানু-পি এফকী য়ুথ লীগনা আর্মি চীফতা আর্মিগী মথৌদা মায় ওনশিন্দুনা বরেক্তগী হেন্দোক্তনবা অপীল তৌখ্রে।